HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ওগষ্ট ১২দগী টপস্যাগী ট্রেনিং সেন্টরদা চখরকখিবা থা অমগী ট্রেনিং কম প্রদক্সন ওন দ্রমস ওফ হোলিগী লোইশিনবগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংনা উৎখিবা পর্ফোমেন্স


হয়েং করি থোক্লগবা? পূক্নিং চেঙ্গুম চেঙ্গানরক্লে
☛ লামায় ২

‘ইন্দিয়া লৈঙাক্না স্পোন্সর তৌবা মানবা লান অমা ওইরব্রা চিংনদবা ঙম্লক্তে’
☛ লামায় ৬

‘য়ুক্রেননা লান মায়োক্লনবগী মতম শুপ্পগী নুমিৎ ৩০ নিদগী হেন্না লৈত্রে’
☛ লামায় ৮

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু) ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’
☛ লামায় ৯


থৌবাল কৈথেল মখা ফার্মরস কোওপরেটিভ সোসাইটিনা এগ্রিকল্চর লোয়শঙগা খূৎশম্নদুনা থৌবাল ময়ায় লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা নেচরেল ফার্মিং এন্দ প্লান্ট হেল্থকী থৌরমদা লৌমীশিংদা কেমিকেল অমসুং স্প্রেয়র য়েন্থোকপা




Vol. 47, Issue No. 168 | নিংথৌকাবা, থৱানগী ২৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, September 11, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### অসাম রাইফলসকী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙজং কনশিল্লক্লি, চীফ মিনিষ্টরগা মৈরা পায়বী ৩০গা ৱারী শানখ্রে

# চীফ মিনিষ্টরনা থাসিগী মনুংদা মফম খরদগী এ আর লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়রক্লে : মৈরা পায়বী

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী মীতৈ অমসুং কুকি মরক্তা অকনবা লান থোরকখিবদগী ঙসি ফাওবা লোইশিন্দনা লৈরিঙৈগী মনুংদা অসাম রাইফলসনা কুকি মিলিটেন্টশিংদা মতেং পাংদুনা মখোয়গী মীচংদা লেপ্লে হায়না মীয়াম্না পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা থা অসিগী ৮দা পল্লেলদা মখোয়গী মখূৎতা নহা ২ লৈখিদবা অমসুং নুপী য়াওনা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবা থৌদোক্তগী হান্নদগী সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স অসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না লেপ্পকপগী খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্তুনা ঙসিসু মায়কৈ কয়াদগী লাকখিবা মৈরা পায়বীশিংনা চীফ মিনিষ্টর উননবা থোমজিল্লকপদগী খনগৎলবা মীহুৎ খরগা উনখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মায়কৈদগী ‘চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা অসিগী মনুংদা চেঞ্জ তৌনবা, মফম খরদগী এ আর লৌথোক্লবা বা কন্না হোৎনরি’ হায়না মৈরা পায়বীশিংদা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী খঙহৌদনা থোমজিল্লকখিবা মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো তম্না চঙশিন্দুনা হকথেংননা উনরগা ৱারী শানবা হোৎনখি। য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিং অদু পুলিসনা মোইরাংখোমগী কৃষ্ণ প্রেমি ওইল সিটি মনাক্তা থংখি। তুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি ডো. এস ইবোমচানা মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তগী খরগা চীফ মিনিষ্টরগা উনবীয়ু হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপদগী নুপী পুলিসশিংনা ঙাক শেন্দুনা মফম অদুদা থংখিবা মৈরা পায়বীশিংগী মনুংদগী নুপী ৩০ চঙহন্দুনা চীফ মিনিষ্টরগা উনহনখি।



কক্চীং পঞ্জাও-পনঙাক কম্মিটিনা কক্চীং খুল্লেন পঞ্জাওগী অসাম রাইফল্সকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা

পুং অমরোম চূপ্না মৈরা পায়বী নুপী মীহুৎ ৩০গা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা ৱারী শানখি। মীফম অসিদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সর্দা, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত মশা লৈতবদগী মহাক্কী লোয়নবী অমসুং ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম্নচিংবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শারবা মতুংদা থোরকখিবা মৈরা পায়বীশিংগী মনুংদগী ৱাঙাঙলোই লিংজেল থোইবীনা পাউমীশিংদা হায়, হৌখিবা মে ৩দগী চথরক্লিবা লান অসিদা অসাম রাইফলসনা নাকল অমদা লেপ্পগা চথরক্লিবা থৌওং অসি লমদমসিগী মীয়াম পূম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং শুগুনু, তোর্বুং, বাংলা অমদি ক্বাক্তানচিংবা মফমদা থোকখ্রে। ঙরাং নহান্তসু পল্লেলদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসনা এম্ব্যুলেন্স ফাওবা চঙহন্দনা থমখিবা থৌওংশিং অদু পেন্দ্রদুনা ঐখোয় নুপী ময়াম অসি খঙহৌদনা হৌরক্লগা লাকপনি। নুপী মীয়ামগী দিমান্দগী মতাংদা ঙরাং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সর্দাগী য়ূমদা চঙশিনবগা লোয়ননা স্পিকরগী য়ূমদসু চঙশিন্দুনা ৱারী শানখি। তুংদা বি জে পি প্রসিদেন্টগী মায়কৈদগী লৈখায় তাবা ঙমদবদগী চীফ মিনিষ্টরগা উনবীয়ু হায়রক্তুনা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরগা পাউ ফাওনরবা মতুংদা ঙসি ঐখোয় ময়ামগা পূন্না উনবনি হায়খি।

মৈরা পায়বী লুচিংবী লিংজেল থোইবীনা মখা তানা হায়, চীফ মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শানখিবা অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা নুমিৎ ফাওবদি পীরকখিদে। অদুম ওইনমক চৎলিবা সেপ্টেম্বর থা অসিগী মনুংদা চেঞ্জ তৌনবা, মফম খরদগী এ আর লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোরকখি।

ঐখোয়সু চীফ মিনিষ্টর অমনা হায়রকপনিনা মতম খরদি য়েংখিগনি। অদুবু থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা অসাম রাইফলসশিং লৌথোকপীদ্রবা অমসুং মহুৎ শিনবীদবা তারবদি ঐখোয় ইমা ময়াম অমুক হন্না পূল্লগা খন্নরবা মতুংদা অকনবা খোঙজং চথরকপা য়াই হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### শীংজমৈ পুলিসতা থোমজিল্লুরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস):** য়ুথ ওফ মণিপুরগী ‘বিদ্যানন্দ’ কৌবা কক্ৱা অসেম লৈকায়দগী নহা অমা পুলিসনা ফারগা শীংজমৈ পি এসতা পুশিনখ্রে হায়বদগী লূপ অসিগী মীওইশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা পি এস তম্না থোমজিল্লকপদা ঙসি নুমিদাং পুং ১২ তারমদাইদা টিয়ির গ্যাস অমদি রব্বর বুলেশিং কাপখ্রে। অদুবু থাদোরকখ্রে হায়রি।

### ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

মে ৩, ২০২৩দগী লেপ্তনা চখরকপনা থা ৪ হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী মীতৈ-কুকিগী তমথীরবা লান অসিগী মতাং য়াওনা লান অসিদগী হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুরগী ফীভম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না মনীং তম্না ফোঙদোকচনবগী খুদোংচাবা পীজরদুনা পাউচে অসিনা ঙসিদগী হৌরদুনা ‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’ হায়বা অখন্নবা লাতম অমা থমজরে।

লাতম অসিদা লান অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম পূম্নমক মীয়াম্না য়াম্লবদা ৱাহৈ ১৫০ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী পীজরিবা টেলিফোন নম্বরশিং অসিদা টেক্স মেসেজ, ৱাটসএপ নৎত্রগা ঈ-মেলদা থাবীরকউ। থাবীরকপা মতমদা ইশাগী মিং, লৈফম ১সুং টেলিফোন নম্বর য়াওহনবীরকউ। থাবীরক্কদবা টেলিফোন নম্বরদি-৯৭৭৪৮০৩১৪৫; ঈ-মেল :hueiyen_lanpao@yahoo.co.in নি। - এদিটর

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Parliament Special Sessiongi mangoinana Manipur Legislative Assemblygi meepham ama soidana famnaba leingakna hotnarakkadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q : Meeteida chatharakliba tamthiraba Lan natheiduna punnaba Assam Riflesna thouoina meechamda khut tharaklabra?

Yes 100% No 0%

## গাড়ীদা মীতৈগী ফ্লেগ থেৎলুই হায়বগীদমক চুড়াচান্দপুরদা পুলিসকী সব ইন্সপেক্টর ১ শিনীংচিৎতা ফূরক্লে

### পুলিস কন্সটেবল ১ শিরগ্লে রিলিফ কেম্পদা লৈরকখিবা ভি দি এফ ১ লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** মশাগী কার (ক্রেটা-এক্স য়ু ভি) অমদা মীতৈগী সলাই তরেৎকী ফিৱালগী ষ্টিকর অমা নপ্পী হায়বগীদমক মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী সব ইন্সপেক্টর অমা চুড়াচান্দপুরদা জৌমি রেভল্যুস্নরি আর্মি (জেদ আর এ) নি চিংনবা খূৎলায় পায়বশিংনা শিনীংচিৎতা ফূরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী গাড়ী অদুসু অকায় অতোয় থোকহল্লক্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়বদা জৌমি মিলিটেন্টশিংগী মখূৎতগী হিংহৌরবা সব ইন্সপেক্টর অদুগী মমিং এম দি সবির অহম্মদ কৌই, হাট্টাদগীনি। মহাক হৌজিক্লা সিভিল কম্যান্দোদা এটেচ তৌদুনা লৈবনি হায়রি।

মহাক্লা ঙরাং নুংথিল পুং ৩ রোম তারকপদা ক্ষেত্রিগাওদগী মমান্নবা অমা য়াওনা অতোপ্পা মমান্নবা অমগা মখোয় অহুম মহাক্কী গাড়ীদা পূন্না চুড়াচান্দপুর টাউন তম্না চঙশিল্লুবনি হায়রি। মখোয় লাকপা উবদগী তুইবোংদা জেদ আর এগী কাদরশিংনি চিংনবশিংনা গাড়ী খাম্লক্লগা ৱাহং পাউহং চথুরকখিবনি। লোয়ননা মহাক্কী কারদা মীতৈগী সলাই তরেৎকী ফিৱালগী ষ্টিকর অমা নপ্পন্বদগী মখোয় অহুম্বু মীতৈগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী কাঙবুরা হায়বনচিংবা ৱাহংশিং হংদুনা সব ইন্সপেক্টর অসিবু ফু চৈরকখিবনি। জেদ আর এগী কাদরনি হায়বা মীওইশিংদুগী মখূৎতা ঙরাং অহিং লৈরুরবা মতুং ঙসি অয়ূক ক্বাক্তাগী মীতৈ পাঙল ইন্টলেকচুএল ফোরমগা পাউ ফাওনরবা মতুংদা মখোয়বু চুড়াচান্দপুর পুলিস য়াওনা কাংভাই ফাওবা থিল্লক্লগা ফোরম অসিদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## য়ুথ ওফ মণিপুরগী মখা তাবা খোঙজং

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দা শাফোঙলকখিবা ‘য়ুথ ওফ মণিপুর’ না ঙরাংদগী হৌরদুনা এম এল এ / মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা চঙশিন্দুনা লূপ অসিনা মীয়ামগীদমক লৌবা ৱারেপশিং পাথোকমিন্নদুনা খঙমিন্নবা অমসুং লূপ অসিগী পান্দম-ৱাশকমিন্নবগী থবকশিং চথুরক্লবা মতুংদা ঙসিসু শীংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দ, য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ সৈত্যব্রত অমদি কৈশামথোং এ সীগী এম এল এ সাপম নিসিকান্তগী য়ূমদা চঙশিল্লক্তুনা চপ মান্নবা খোঙজংশিং চঙশিনখি।

এম এল এ / স্পিকর / মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা চঙশিন্দুনা ৱারী শানবগা লোয়ননা য়ুথ ওফ মণিপুরনা মণিপুর মীয়ামগীদমক লৌখিবা ৱারেপশিং পূন্না পাথোক্তুনা তামিন্নখি। লোয়ননা ৱারেপশিং অসিগী মতুং ইনবা থবকশিং পাঙথোরকপদা অচেৎপা ফিরেপ লৌরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি।

লূপ অসিগী ৱারেপশিংগী মনুংদা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্বা, অথুবা মতমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেসন অমা ফমদুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক লৌখৎফম থোকপা থৌদাং চপ চানা লৌখৎপীবা, চীফ মিনিষ্টরগা তানদুনা মে ৩দগী লেপ্তনা চথরক্লিবা লান অসি লেপহন্দুনা ষ্টেট অসিদা মহৌশাগুম্না তংদু লৈতাবা ফীভম পুরক্লবগী ৱাফম য়াওরি।

স্পিকর সৈত্যব্রতদি মশা লৈরমদবদগী মহাক্কী লোয়নবীনা খূৎয়েক পীদুনা য়ুথ ওফ মণিপুরনা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রিবা ৱারেপশিং অদুদা অয়াবা পীখি। মিনিষ্টর খেমচান্দসু মশা লৈরমখিদে। অদুম ওইনমক টেলিফোন্দা ৱারী শানদুনা য়ুথ ওফ মণিপুরনা মণিপুর মীয়ামগীদমক লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিদা শৌগৎকনি হায়বগী ৱাফম মিনিষ্টর মশা ইম্ফালদা থোরক্লবা মতুংদা মহাক মশাগী লেট্টর হেদতা খূৎয়েক পীদুনা খূৎশিন্নগনি হায়বগী ৱাফম ...মখা লামায় ৩ কলম ৮

## ‘অঙাং মবুক লাম্বদগী কপ্পকপদা ঈশিং লৈতদুনা টৌইলেট্টা পানবা টেপতগী ঈশিং লৌরগা সেরেলেক শেম্লগা পীজখি’

### হকথেংনবা পাউদম


*সেরৌদগী খুঞ্জা অনী*



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মে ২৭ অমসুং ২৮গী লোন্নবা অহিংদা সেরৌদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা য়ূম মৈ থারকপদগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী য়ূমদা থৱায়দবু হিংলবদি হায়দুনা চেনশিন্দুনা লৈখি। সেরৌগী য়াম্লবা মীয়াম এম এল এগীদা লৈরমখি। নুমিৎতুদা এম এল এগী য়ূমদা থুংখিবা মতমদু থেংলবনিনা থা ৭ খক্তা ঙাইরিবী ইচানুপী অতোম্বীনা মবুক লাম্লকপদগী কপ্পক্লকপদা সেরেলেক শেমদুনা পীজনবা অফবা ঈশিং লৈতবদগী লেত্রিন্দা পানবা টেপতগী ঈশিং য়ারগা সেরেলেক শেমদুনা পীজখি। লাঞ্জেন্নরকখিবদা অতৈ পোৎলমশিং পুরক্তবসু পীক্লিবী অঙাং চেনবনিনা সেরেলেক ফাওবদি পায়রকখিবনি। নুমিত্তুগী থৌদোক অদু কুকি মিলিটেন্টশিংনা পীরকপা চৈথেংনা মায়োক্লহনখিবা কাউবা য়াররোইদবা থৌদোক্নি হায়না সেরৌ ময়ায় লৈকায়দগী হামোম অশানা মমিৎতা মপি তানা পাউদম্লকখি।

হৌজিক্লা লম্বোইখোংনাংখোঙদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা লৈরক্লিবী অশানা থম্মোয় শোক্লা মায়োক্লরকখিবা পেন্দবা থৌদোকশিংগী ৱারী তম্লদুনা হায়, অঙাংনা মবুক লাম্বগী কপ্পকপদা থম্মোয় কায়খি। অদুগা লৈমিন্নখিবা মীওইশিংদুনা খনখিবনা অমুক্কসু নুমিৎ তাশিনখ্রবদি হিংগদৌবা মান্দ্রে হায়বসিনি। মরমশিং অসিনা অসাম রাইফলসতা হায়নবদগী মখোয়না বুলেট প্রুফ গাড়ী পুরকখি, ঐহাকসু পীক্লিবী ইচানুপী পোরগা ইচেনা ঐগী ইচানুপী অহলদু পল্লগা গাড়ীদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫